# এম দি য়ুনা শীন্দুনা ৯শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিবেল ২০২৫ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ড্রামা/থিএটরগী লম্দা মাঙজিল থাবা য়ুনিয়ন অমা ওইদুনা লাক্লিবা ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চূপ্না চথুগদবা ৯শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিবেল ২০২৫ য়ুনিয়ন অসিগী হোলদা হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী নোর্থ সেন্ট্রেল জোন কলচরেল সেন্টর (এন সী জেদ সী সী), প্রয়াগরাজ গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি।

ঙসি ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী কম্মিস্নর ওইরম্বা এম জয়, এম দি য়ুগী প্রেসিদেন্ট এস কেসোরাম অমদি থিএটর এক্টিভিষ্ট সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়ায় তাংবল অমদি ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মতাংদা অথোইবা মীথুংলেননা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরনা মালেমদা ষ্টেট অসিবু মশক তাক্লি হায়রদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরদুনা অহল লমনশিংনা থন্বীরম্বা ফিদাশিংবু হৌগৎলক্লিবা মীরোলনা অমুক তাশিন খোমজিন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরি। ফোকতা মণিপুরগী রিজনেলগী ওইবা তোপ-তোপ্পা শক্লোন কয়া য়াওরি। মসিবু অমুক নৌনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা খঙহনবদা ঙসিদগী হৌদোক্লিবা ফোক ড্রামা ফেষ্টিবেল অসিনা য়াম্না চাউনা মতেং পাংলগনি হায়খি।

ঙসি অহানবা ফেষ্টিবেল অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী ড্রামা 'খম্বা থোইবী' উৎতুনা অয়েংবশিংগী পুক্নিং শুম্হৎখি। ড্রামা অসি এস কেসোরামনা লমজিং লমতাকপনি। অদুগা চজিং দেবেননা মহাক্কী মতেং পাংবনি। ড্রামা অসি লৈখিদ্রবা নিংথৌজম তোম্বীনা ইরম্বনি। হয়েংদগী হৌরদুনা ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা শরুক য়াগদবা ড্রামা কাঙলূপশিংনা নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ৩ তারকপদা ফোক ড্রামা অমমম উৎকদৌরি।

হয়েং নীনি চনবা নুমিৎতা লাইরেনকাবী য়ুথ ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'থামম্বা অহিংগী য়াখম লোয়শঙ' উৎকনি। ড্রামা অসি এল রঞ্জিতানা দিরেক্সন পীবনি। হুম্নি চনবা নুমিৎতনা সেঞ্জম নিমাইনা দিরেক্সন পীবা নোর্থ ইষ্টর্ন থিএটর এসোসিএশনগী 'থৱায়সে নুংশিবগীদমক' উৎকনি। মরিনি চনবা নুমিৎতা এস রতনকুমারনা দিরেক্সন পীবা লাংমৈদোং ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'লোইবী নাপোম' উৎলগা অরোইবা নুমিৎতা এস থানিল লৈমনা দিরেক্সন পীবা খেঞ্জোংলাংগী 'পিদোন্নু' উৎকনি হায়রি।

# পি কে গোয়লবু চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপদা এম পি বিমোলনা...

*লমায় ১গী মখা...*এম পিদা পাউমীশিংনা মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল অসি মখা শাংথহন্নবগীদমক হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা অয়াবা লৌনবা পুথোরক্কনি হায়বগী মতাংদা হংবদা মহাক্না হায়, ঐ ইশাগী ওইনদি প্রসিদেন্টস রুল পামদে। কন্সটিট্যুশন শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ডা. বি আর অম্বেদকরনা ফাওবা পি আর অসি য়াম্না তাঙনা তঙাইফদবা মতমদা খক্তা শীজিন্নগদবনি হায়রম্লিবনি। প্রসিদেন্টস রুল শাংথবগী মহুত্তা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শেম্ফম থোকপনি অদুবু লুরিবদি মীয়ামগী মেন্দেট ফংলিবা অমসুং মেজোরিটি লৈরিবা পার্টিনা করি কৈদৌবগী লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রিবনো হায়বসিনি। পি আর হায়বসিমক মীয়াম্না পাম্নদবা রুলনি অদুবু মণিপুরদদি ব্যুরোক্রেটনা চলাইরক্লিবা মতমসি ফাওবদা মণিপুর কেদরগী ওফিসর নত্তবা মীওই থাজিল্লক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি। পি আর মখা শাংথহনবগী মতাংদা ঐগী পার্টিনা করি ফিরেপ লৌগদগে হায়বদুসু য়াম্না কন্না খন্নরি। অদুবু মীয়ামগী মেন্দেট ঙাকপা ঙমদ্রে হায়রবদি এসেম্লি দিজোল্ব তৌরগা অনৌবা মেন্দেট অমুক লৌবনা ফরে হায়বসি ঐগী পার্টিগী অয়াম্বা লুচিংবশিংনা হায়নরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এম পি বিমোলনা মখা তানা হায়, হাংনশুনবগী ঈরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইরৈচা আই দি পিশিংনা ময়ূমদা হেক হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবদি থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লে হায়বা য়ারোই। হন্দক লৈঙাক্লা চহীসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা রিলিফ কেম্পশিং লোনশিল্লগনি অমদি আই দি পিশিং হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরি হায়বা লৈখ্রে। হৌজিক থা ৬ ফাদ্রবা তেনখ্রবা মতমসিদা আই দি পিশিং করম্না হঞ্জিলহনগদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্লা চপ চাবা ৱাফম থমদবনা চমম্নবা খরা লৈরি। চমম্নবশিং অসি কোক্লবা হাউসকী ফ্লোরদা পুখৎতুনা থিদোক্লবা হোৎনবা হায়বসিনা অহানবা মরু ওইবা ইস্যুনি। আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা হায়বসিদি পূম্নমক্লা পাম্মী অমদি হঞ্জিন্নবসু পূম্নমক্লা হোৎনগদবনি হায়খি।

অনীশুবা ইস্যুদা আই দি পিশিংদা জষ্টিস ফংহন্নবা থেংনগনি হায়খিবগী মতুংইন্না মখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা পূন্সি মহিং অসি খরা শাফনা অমদি মীওইবা অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা হিংবা ঙম্নবা পুখৎকনি। আই দি পিশিংগী মতাংদা লৈঙাক্কী চপ চাবা পোলিসি অমা লৈতবনা চহী অনী হেল্লক্লবা ফাওবদা অঙাংশিং লাইরিক লাইশু তম্বগী য়াওনা হিংলিবা মহিং অসি য়াম্না মওং তদনা লৈরি। মমাঙগী সেশনদসু আই দি পিশিংগী পূন্সি মহিংগী মতাংদা পুখৎখি। অদুবু হন্দকসু অমুক হন্না ফেলো অপ তৌদুনা মখোয়গী মপূং ফাবা পোলিসি অমা শেম্বীনবা অমসুং মখোয়দা জষ্টিস ফংহন্নবা তকশিনগনি হায়খি।

অহুমশুবা ইস্যুদা মণিপুরদা চহী ২ হেনবগী মতমসিদা ফ্রী মুভমেন্ট লৈরক্ত্রিবা অমদি বফর জোন হায়দুনা থমজিল্লিবা অসিগী মতাংদনি। লৈঙাক্লা বফর জোন লৈতে হায়রগা তৌথোরকপা থৌওংদনা নোর্মেলাইজ ওইবগী থৌওং ওইরি। মসিগী মথক্তা লোনা য়াদবা মওংদা পায়বা খুৎলায় ময়াম অমা খোমগৎলে হায়রগসু চঙথোক চঙশিন য়াহন্দ্রিবা অসি লাইবক থীবনি। ফ্রী মুভমেন্ট হায়বসি লৈঙাক্লা মীতৈ অমসুং কুকিগী ইস্যু ওইনা ওন্থোরকপসি লাইবক থীবনি। মসিদি গভর্নেন্স, কন্সটিট্যুশন অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটসকী ৱাফমনি। লৈঙাক্লা চপ চানা চলাইফম থোকই। ফ্রী মুভমেন্ট হায়বসি লাইবলিহুদকসু শম্নবনিনা রাইট টু লাইফকসু মরী লৈনৈ অদুবু চহী ২ হেন্না ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনবা ঙমদবা হায়বসিদি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা কন্সটিট্যুশনেল ওর্দর লৈহন্দবনি হায়খি।

অরোইবা ওইনা এম পিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা এম পি অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট দিভেলপমেন্ট কোওর্দিনেশন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি (দিশা কম্মিটি) গী মীটিংশিংদা থেংনরকপা গভর্নেন্সকী অহোবা অমদি অশোয়বা অরানবা কয়া পুখৎকনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হায়রিবা ইস্যুশিং অসিগী মনুং চন্না এদ্যুকেশন, হেল্থ অমদি লম্বী থোং অমসুং অতে তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াগী মতাংদসু য়াওরি। হৌজিক মণিপুরদা পি আরসু লৈরিবনিনা পার্লিয়ামেন্টতা ষ্টেট অসিগী ইস্যুশিং পুখৎপা হায়বসি হেন্না মতাং চারবনি। তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা ইস্যু মরিশিং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ক্বেশননচিংবা থাজিনখ্রে।মসিদা লোট্রারি তৌরকপা মতমদা য়াওরক্ত্রবসু জিরো অৱারদা ওইরবসু ইস্যুশিং অসি পুখৎপগী খুদোংচাবা লৌগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়, জুলাই থাদগী দিসেম্বর ফাওবদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা চঙহনগনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে। পাউ অসি তাবদগী দোলাইথাবী মায়কৈগী আই দি পিশিংনা ওথোরিটিদা চৎচরুরে অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী জুলাই থাদদি ঙল্লরোই হায়রকপদগী আই দি পিশিংগী পূন্সিদা করিগীদমক শান্নরিবনো হায়না খোইশাওনরবা আই দি পিশিংনা ঙসি মখোয় মখোয়গী ময়ূমদা চঙশিল্লগে হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে। চীফ সেক্রেটরি শিনবগী মতাংদদি দি জি পিসু ষ্টেট অসিগী কেদরনা ওইহন্দ্রে অদুগা চীফ সেক্রেটরিসু মণিপুরগী কেদর নত্তবা অমা থারক্কদৌরিবসি লাইবক থীবনি। চীফ সেক্রেটরি শিল্লকপা হায়বসি অনৌবা অদুনা মণিপুরগী মরমদা খঙনবা হোৎনবদা থা কয়া, চহী কয়া চঙহনখিগদৌরিবনো হংখি।

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা খৎন-চৈনবা মরকসিদা মণিপুর অসি মখোয় ময়ামগী ট্রেনিং তৌফম ওইহল্লব্রা হংলদুনা ষ্টেট অসিদা মতৌ করম্না নুংশি চান্নবা পুরক্কদগে হায়বনচিংবদি মণিপুরগী কেদরশিংনা খঙগদবনি হায়খি।

# উলফা-আইগী লেফটিনেন্ট ...

*লমায় ১গী মখা...*চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ১৩ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক অঙনবা পুং ২দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম য়াওল্লুপশিংগী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম য়াওল চথমিন্নরিবা য়ুনাইটেদ বেজ এরিয়াদা পূন্না লৈমিন্নবা য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (ইন্দিপেন্দেন্ট) গী ম্যান্মার মনুংদা লৈবা নাগালেন্দগী লাংৱাদগীনা অরুনাচলগী পাংসুপাস ফাওবগী লমখৈ পরিং মনাক্তা লৈবা কেম্প ৪দা ইজরেল অমদি ফ্রান্সনা শাবা দ্রোন ১৫০ রোম অমদি ফাইটর জেট ফাওবা শীজিন্নদুনা চথখিবা এটেকতা লূপ অসিগী লৱার কাউন্সিলগী চ্যেরমেন লেফটিনেন্ট জেনরেল নয়ান অহোম অমদি বৃগেদিয়র গনেশ অহোম থৱায়না পোন্থা পীখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী কাদর খরা অশোক অপন নংখিবদা প্রিপাক অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকচরি অমদি থৌদোক অদুনা উলফা-আইদা থেংনহৌরিবা অৱাবা-খুদোংচাদবা খুদিংমক্তা প্রিপাকনা শরুক য়াজরি হায়রি।

ইম্পরিএলিষ্ট ইন্দিয়াগী অসিগুম্লবা মথোং হুক্তবা থৌদোক অসিনা ৱেসিয়া লমদমগী মীচম-মীয়াম্বু য়েক্লবনি হায়না লৌই হায়বসি ময়েক শেংনা তাকচরে। লোয়ননা লমদমসিগী মীয়াম্বু করম্বা মীৎয়েং য়েংলিবগে হায়বসিসু ময়েক শেংনা খঙলে। থৌওং অসিনা কৈদৌনুংদা ৱেসিয়া লমদমগী মীচম মীয়াম্বু নমথবা ঙম্লোই হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহনবা মতম ওইরে। ইপা ইপুনা থম্লম্বা লম, পুৱারী অমদি ইশাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতনা কংলৈ মীয়াম হুপ্লা হোৎনমিন্নরসি। ইন্দিয়ন ওক্যুপেশনেল ফোর্সশিংগী মায়োক্তা ইমা লৈবাকীদমক নীংতম ঈহৌ চথবা হায়বসি কংলৈ মীয়ামগী ইথৌ অমনি হায়বসি ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবা মতম ওইরে। লোয়ননা ইন্দিয়ানা লৌশিন্দুনা থম্নবা হোৎনরক্লিবা অসি অকিবা লৈতনা অমদি হনবা লৈতনা লাম্বেংমিন্নসি হায়রি।

# চহী ৫০গী মতুংদা লোক্তাক ...

*লমায় ১গী মখা...* মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা মহৈকোল অসিগী হ্যুমেন এন্দ এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী দিন অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল কে এস ঐচ বিরবলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইরগা দি এম য়ুগী এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর কোইজম মনিবুশননা ময়ায় তাংবল লৌখি। এক্সপার্ট তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা দিস্কোর্স অসিদা প্রোফেসর চান্দবাবুনা মখা তানা হায়, লোক্তাক পাৎ অসি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থন্বীরম্বনা ঙসিসু লমদম অসিগী মরু ওইবা পাৎ অমা ওইদুনা লৈরি। অদুম ওইনমক এনভাইরোনমেন্ট অমসুং ইকোলোজিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদা লেপ্তুনা মোৎশিল্লকপনা পাৎ অসিবু তুংগী মীরোলশিংগীদমক করম্না শীংথানীংঙাই ওইবা মওংদা থল্লমগনি হায়বসি খন্থবা চঙলে।

# মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়রম্বগী নুপা...

*লমায় ১গী মখা...*চেরোল অসিনা হায়, এন আর এফ এমগী শাশিন্নবা লেট্টর হেদ শীজিন্নদুনা ফত্তবা মীওই খরনা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়রে হায়বগী অককুবা পাউ ফংবদগী মখোয় অদু ফানবা এন আর এফ এমগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর আর্মি (এম এ) গী রিজার্ভ এক্সন ফোর্সনা কোয়শেন শেন্নদুনা লাকখি। মদুগী মখা তারকপদা থা অসিগী ১৪দা নাগামপাল সোরাম লৈরক্তগী হৌজিক্লা ৱাঙ্খৈ কৈথেল অশাংবীগী অশানবা য়ূমদা লৈবা গরিচ (২৬) (অপোকপা লোকেন, অপোকপী সুজতা) অমসুং মোইরাং থানা লৈকায়দগী হৌজিক্লা হাট্রাগী ওইল পম্প মনাক্তা অশানবা য়ূমদা লৈবী কুমাম জুমিলিয়া (২৫) (অপোকপা সঞ্জিৎ, অপোকপী সঙ্গিতা) হায়রিবা মীওই অনী অসি পার্টিনা হকথেংননা ফাগৎপা ঙমখি।

ফারবা মীওই অনীমক ৱাহং পাউহং তৌখি। মখোয় অনীমক্লা মশানা মরালশিং অদু য়াজখি। মরালগী মতুংইন্না পার্টিগী চৈরাক পীবা তাখি। পার্টিনা অহানবগী ওইনা মখোয়বু ৱার্নিং ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্ভং অমদি ফক্লুংগী তাইনবা মফম অমদা মখোঙদা নোংমৈনা কাপখি। মতুংদা অমুক তৌরবদি শিবগী চৈরাক পীবদা মশানা য়াজদুনা থাদোকখি হায়রি।

কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা অসিগুম্বা থবক হায়বদি এন আর এফ এম শাদুনা পার্টিগী মায়োক্তা লেপ্লবদি ৱার্নিং তৌদনা শিবগী চৈরাক পীগনি। করিগুম্বা এন আর এফ এমগী মিংদা মতেং নীরক্লবদি সেক্রেটরি ফাইনান্স নোংপোকঙানবা মৈতৈগী পীজরিবা ৱাটসএপ নম্বর অসিদা কোল তৌবীরক্লবা নীংশিংজরি। নম্বরশিং অদুদি- +৯১৮৭৯৮৭৫০২৪০, +৮৮০১৭২৬১৭৩৪২০ অমসুং +৯৫৯৪২০৩৬৩৪৪১নি হায়রি।

# লৈঙাক্লা আই দি পিশিংবু ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগনি...

*লমায় ১গী মখা...* পাউতাবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মকোক থোংবা ওফিশলশিং ফাওবা লাকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা হৌজিক দোলাইথাবী এরিয়া অসি য়াম্না সেন্সিটিভ ওইরি। চঙশিল্লুবদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই হায়রদুনা ঙাক শেন্নবগীদমক সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎলি। মফম অদুদা সী আর পি এফকী কম্পনি অমা থম্বগা লোয়ননা অমাঙ অতা থোকখ্রবা য়ূমশিংসু শেমজিন শাজিল্লি হায়খি।

ময়ূমদা হঞ্জিল্লগনি হায়দুনা লাকখিবা আই দি পিশিংবু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন অমদি পুলিসকী ওফিসরশিংনা খামজিন্নবা হোৎনখি। অদুবু লৈঙাক্লা মখোয়বু হঞ্জিলহনগনি হায়খ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি হায়রদুনা খোইশাওনরবা মীওই ২০ রোম্না ঈরিল তুরেল ইরোইদুনা লাল্লগা মশা মশাগী ময়ূমশিংগী ফিভম য়েংলুখি। খুলশিং অসিদা লৈবা মীতৈগী লৌফমশিং কুকিশিংনা লৌ পানবা য়াওরম্লে হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

ইরোইদুনা তুরেল লাল্লগা মশাগী য়ূমশিংদা চঙশিল্লুবা মীওই ২০ হেনবগী মনুংদা য়াওখিবা দোলাইথাবী মনীং লৈকায়দগী আর কে প্রেমনা পাউমীশিংদা হায়, ঐখোয় য়ূমদা চঙজরগে হায়না লাকপদা সিক্যুরিটিনা লম্বীদা থিংবদগী কোইথোক্তুনা চৎলগা তুরেল লাম্থোক্তুনা য়ূমদা চঙলুবনি। ঐখোয়দি তশেংনা হল্লরোই হায়না লাকপনি অদুবু দি সীগী মায়কৈদগী থা অনীগী মনুংদা শোয়দনা হঞ্জিলহল্লগনি হায়রকপদগী খোঙজং হন্দোক্তুনা থোরকপনি। ঐখোয়না চঙলুবদা য়ূম অয়াম্বা মৈনা চাকখ্রবনিনা শোকহৌদবা য়ূম অনীখক্তা চঙলমখি। অদুবু য়ূমশিং অদুগী মনুংদা পোৎ চৈদি অমত্তা লৈহৌদ্রে অমসুং য়ানখাই থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্লে। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈবদা শেল থোক্তবনিনা ইচা ইশু শেম্বা ঙমদ্রে। য়ূমদা লৈরবদি লৌ শুদুনা শেল খরদা ওইরবসু থোক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, দি সীগা ৱারী শানরবা উনরুবশিংগী মরক্তা য়াওবা সাপম অঙোনা পাউমীশিংদা হায়, দোলাইথাবীদগী লাঞ্জেল্লকখিবশিংগী য়ূম শানবগী শেনফম চাদা ৫০ পীখিবা চহী অমগা থা অনী ফাজিল্লক্লে অদুবু ঙসি ফাওবদা চঙহনগনি হায়রগা চঙহন্দবদগী পেল্লক্তদুনা ঙসি আই দি পিশিংনা ইশাগী য়ূমদা চঙজরগে হায়দুনা লাকপনি। দি সীগা ৱারী শানরবা মতুংদা মহাক্কী মায়কৈদগী থা অনীগী মনুংদা শোয়দনা শিল্লগনি হায়বদগী য়াশিন্নবা পুরকপনি। থা অনী অসিগী মনুংদসু হঞ্জিলহন্দ্রবদি সী এস ও অমদি লুচিংবশিংগা তান্নদুনা হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

# কৈথেল লাইরেম্বী-লাইরেম্বনা...

*হান্নগী মখা...*খ্বাইরম্বন্দগী ইমা লৈমরেল শিদবী কৈথেলদা ক্বা মনা য়োল্লক্লিবী কে ঐচ তোম্বীনা মখা তানা হায়, লাইরেম্বী ইমানা চানবীবদগী অদুমক হিংনবগী পাম্বৈ পীবিরি। পোৎ শিত্তবদি নত্তে অদুবু পোৎশিত্তি খরা হন্থরক্তুনা মমাঙঙৈগীদুগা খেন্নরে। কুইনা কৈথেল ফল্লক্লবনিনা ইঙাই ইশেন খরা লৈজবনিনা পোৎ শিত্তবদি ওইদ্রি। অদুবু নহানৱাইদি পোৎ য়োনবা য়াম্না নুংঙাইরম্মী। কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিল্লক্তুনা পুং অসুক্তগী ফম্বা য়াদে হায়রকপা মতমদদি য়োল্লিবা ক্বাশিং অসি খনবা নংবা নত্তে, লৈবা লাকপশিংনা তাপ-তাপ পংলৌদা লৌই। ক্বা ফজবা ফজদবা থিদে। কর্ফিয়ু কোমথোকপগী ঙাইহাক্তং হাংবদুদা লৈহৌনবা হোৎনরকখি।

অদুবু হৌজিক কুকিনা লান্দারকপদগী ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিং অসি য়েংলগদি লোইশিন্দ্রিবা লান অসি লোইশিনবা পাম্লে। অদুগা মীতৈগী লাই ওইজরিবা কৈথেল লাইরেম্বীসু নীংথিজনা থম্বা পাম্মী। নোংমা পানবদা অথেনপোৎ কৎতুনা থৌনিজবা পাম্মী হায়রকখি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি মীয়ামগী মীৎয়েংফমনি। মপান্দগী লম কোয়বা ফোরেন্নরশিংনা ফাওবা নুপী কৈথেল/ইমা কৈথেল হায়দুনা শকখঙবীরিবনি। কৈথেল লাইরেম্বী ইমা-ইপাবু মোইবুং খোংদুনা ঈরাৎফমদি থোক্তে। লৈশা নমদুনা খুরুম্বদা মীতৈগী মশক তাক্কদৌরিবনি। মীতৈগী লাই নত্তবশিংদা তাইরেন পুংফাই শীজিন্নদে। মখোয়গীদি চৎনবী ঙাক্তুনা হেঞ্জিন্দনবা থল্লি। মরম অসিনা কৈথেল লাইরেম্বীগীসু তোপ তোপ্পা থমহন্নীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

# চহী ২গী মতুংদা লম্লাইগী...

*লমায় ১গী মখা...* খুৎয়েক পীনখিবগী মতুংইন্না মফম অসিদা হেভি মোটোর ভেহিকল অমসুং লাইট মোটোর ভেহিকলগী অমমম য়াওনা টু লেনগী ওটোমেটেদ টেষ্টিং সেটঅপ থল্লগনি। সেন্টর অসিনা গাড়ীশিংগী ফীভমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইনা চথগদবা থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনগনি হায়রি।

সেন্টর অসিনা মণিপুরগী পব্লিক অমসুং প্রাইভেট ভেহিকলশিংদা খুদোংচাবা পীগদবনা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সপোর্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মসিবু নীংথিনা চলাইবগী থবক্তা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

# মণিপুরগী 'প্রসিদেন্টস রুল' লৈঙাক্কী অনৌবা মায়থোঙ...

*লমায় ১গী মখা...* থাংদোকখ্রগা মহাক্কী মহুত্তা পুনীট কুমার গোয়লবু থাংজিল্লক্লিবসি থা অসিগী ২১দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকপু মখা শাংথহন্নবগী অয়াবা লৌগনি হায়দুনা মফি শেল্লকপগী ওইগদ্রা নৎত্রগা পি কে সিংহনা চীফ সেক্রেটরি ওইনা মথৌ পাঙথোকপদা য়োংলৈ-মেলৈ নাইদনা অচুম্বা অশেংবশিং তৌনবা হোৎনরকপদা মহাকপু হুমদুনা পুনীংবা মীহুৎ খরদা খুনু মখোঙ শল্লৌবগুম থোরকপদগী গভর্নর অমসুং মরী লৈনবা সেন্ট্রেল লিদরশিংদা তকশিন্দুনা পি কে সিংহনা ফল্লিবা চীফ সেক্রেটরিগী চৌক্রি থোক-থোক নোম্লুবা য়াওবদগীরা হায়বা ৱাহংসু হংনরক্লি।

ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সনগী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংগী সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অমদা চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহবু নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবসতা পুনীট কুমার গোয়লগী মহুৎ শিন্দুনা সেক্রেটরিগী ফম পুননবা ওর্দর থোকখিবনি।

ওর্দর অসি থোকখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিমক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমনসু পুনীট কুমার গোয়লবু এ জি এম য়ু টিগী কেদরদগী মণিপুর কেদরদা ইন্টর-কেদর-দেপ্যুটেশনদা ট্রান্সফর তৌরক্তুনা পি কে সিংহগী মহুত্তা চীফ সেক্রেটরি ওইননবা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবনি। পি কে গোয়লগী সেন্ট্রেল দেপ্যুটেশনগী মতমনা মথং চহী ২০২৬কী ওগষ্ট ৩১দা সুপরএন্যুএশনদা থবক্তগী পোথাগদবা নুমিৎ অসি ফাওবা ওইগনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা পি কে সিংহবু নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবতা সেক্রেটরি ওইনা হলহনখিবা অমসুং পি কে গোয়লবুনা ইন্টর-কেদর-দেপ্যুটেশনদা মণিপুর কেদরদা ট্রান্সফর তৌরকখ্রবা মতুংদা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মহাকপু মণিপুরগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে হায়রি।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইরকখিবা থা ৭ লোমদা ঙাইরিবা পি কে সিংহবু করি মরমগীদমক্তা অমুক হন্না সেন্ট্রেল দেপ্যুটেশনদা থাংদোকখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লরকপদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু এনিমেটেদ সস্পেন্সনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদগী পৱার অয়াম্বা লৌথোকপীখ্রবা মীহুৎশিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা পি কে সিংহদা হায়জবা নৎত্রগা পাউতাক্লচিংবা তোঙান তোঙানবা পাম্বৈ শীজিন্দুনা পীরুবদা মহাক্লা য়াদনা লৈরকপনি হায়রি।

সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসরশিংগী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী মতাংদসু মীয়াম্না চঙক্লবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়রদুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ওইনা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীখিবা পুলিস ওফিসর অমবু অতোপ্পা ওর্দর অমনা থা ফাদ্রিঙৈদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ওইনা ট্রান্সফর তৌরকপগী মায়োক্তা ককচীংগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা ফাওবা লৈখ্রবনি হায়রি।

মরম অসিনা এনিমেটেদ সস্পেন্সনগী লোংউপ্লা উপশিন্দুনা থম্লক্লিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপদা চীফ সেক্রেটরিনা হোয়া ফরক্তবদগী মহাকপু চৌক্রিদগী ইন্থুনবা য়াম্না কন্না থোক-থোক নোম্বা খরা য়াওবদগী ওইগনি হায়নসু ফোঙদোক্লরকপা য়াওরি।

রিলিফ কেম্পতা কোলোন কেন্সরগী সেকেন্দ ষ্টেজগা শাগোন্নবা হিংলিবা দিলিপনা হায়

# ইশাগী অনাবা লায়েংনবা হোৎনবদা শেল লৈরক্তবদগী ইচানা তম্নীংবা দি এম কোলেজদা তমহনবা ঙমদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

**সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

লৈত-লায়রবনা মরম ওইরগা অমদা য়েংলুই অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙাইরম্মী। ইচাশিংগী মহৈ-মশিং তম্বদা লৈঙাক্লা মতেং তৌবীরি হায়দুনা ৱাখল চাওথোক্তুনা লৈগদবসু নৎত্রে। অমরোমদা, ইচাশিংগী নৎত্রবসু ঐহাক্কী অরুবা অনাবা অসিগীদি য়েংশিনবীরি হায়বসু লৈতবনিনা ময়াম অসিগী খনবদা য়াম্না ৱারে। ইচাশিংসু মতিক চানা শেম্বা লোইদ্রিবনিনা শিরগে খনবসু ঙমদে হায়না মমিৎতগী মপি তানা পাউদম্লকখি।

সেরৌ অৱাং লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা কোলোন কেন্সরগী অনীশুবা ষ্টেজ শাগোন্নরিবা চনম্বম দিলিপ (৫৯) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হৌজিক ঐঙোন্দা নারিবা লায়না অসি রেক্টেল কেন্সর হায়বা কোলোন কেন্সরগী মখল অদুনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা চাবা-থকপদা য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদে অমদি মচী ওইবা অমসুং কান্নগদবা চীঞ্জাকশিং চারিবমখৈ লায়না অসিগী মহিকশিং হাৎপা ঙমগনি হায়না ডাক্তরশিংনা তাকপীরকখি। অদুবু লাইবক থীবনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপনা মরম ওইরদুনা চাবা-থকপগী মতাংদদি অদুক্কী মতিক নীংবা থুংদবা হায়বদু ওইরে।

হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা শেল থুম তানফমসু লৈতে। ঐহাকসু ময়ামগুম্না শু-নোম্বা চৎপা ঙল্লক্ত্রবনিনা অদুমক রিলিফ কেম্প মনুংদা পোথারগা লৈবা হায়বদু ওইরে। লায়না অসিনা নারকপা চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবনি অদুবু চয়োল কাংদনা রুটিন নাইনা অলট্রা সাউন্দ লৌবনচিংবা তৌদুনা লায়েংবদদি য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ২৫গী শেনফমদি হাপ্তা অমদা শোয়দনা চঙই। শেনফম অসি ঐহাক্কী লোয়নবীনা কৌনাগী বেগনচিংবা খরা শারগা য়োনবা অমদি মীঙোন্দগী অমসুং খঙন-চান্নবশিংদগী পুদুনা য়ান-য়ানবা হোৎনদুনা হিংলক্লিবনি। অহানবদা অনীরক্তি রিমসকী দিরেক্টরদা হায়নদুনা রিলিফ কেম্পকী মিংদা ফ্রীদা টেষ্ট তৌবীখি অদুবু তোয়না তৌরকপদদি ফ্রীদা তৌবীয়ু য়াখিদ্রে। ফীভম অসিগী মতাংদা এস দি ওদা চৎতুনা ঐহাক্কী লায়েংনবগী শেল মতেং পাংবীনবা হায়জরুবদসু অদুমক ওইখিদ্রে। (মথং-মথং)

# খৌপুম দামগী ...

*লমায় ১গী মখা...* কৌই, হেংলেপ সব দিভিজনগী মনুং চনবা ওল্ড ফাইসট খুলদগীনি হায়রি।

মহাকমপাগা লোয়ননা পাল্লৌগী লৌতাংশঙদা অহিং তূম্লিঙৈদা নোং কন্না চুরকপদগী মপা-মচানা তূম্লিবা শঙ শারিবা মফম অদু য়াওনা চীংগী শরুকশিং নীংখাইরকপদগী চেন্থখিদুনা তুইলা তুরেলদা তাশিনখিবদগী কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক মহাক্কা তূমিন্নখিবা মপাদি খুদোংথীবা থৌদোক অসিদগী নাম্থোক্তুনা হিংহৌরে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতুংদা ফাইসট খুলগী খুঞ্জাশিংনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবা লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু অমসুং পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীবিয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 99.779995 |
| US Dollar | 85.935108 |
| British Pound | 115.239707 |
| Australian Dollar | 56.086394 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.969461 |
| Japanese Yen | 0.578438 |
| Malaysian Ringgit | 20.243044 |
| Singapore Dollar | 66.888989 |
| South Korean Won | 0.061852 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.916029 |
| Thai Baht | 2.641584 |

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO - 20/05/2025**
VALID FROM - 18/05/2025
ONLY HOME DELIVERY
WITHIN 5 DAYS
OFFICE ENQUIRY NO.
9774031231/8414967694
TIME- 9AM TO 11AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto : 12/04/25,**
Valid from : 04/04/25
Whatsapp & SMS
Time: 6.00am to 9.00am
Only Home delivery service
Working 7 days
(Booking and Delivery
Contact no. :9863952745/8837482516)
Accept For any enquiry,
contact on this no:9233784247
Timing from 10.00am to 4.00pm

**KM/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO04/06/25**
VALID FROM 29/05/25
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO.
8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 8:AM TO11.30 AM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS (5 kg Ujjwala Cylinder Available

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking upto: 05/07/2025**
Vaild from 30/06/2025
Office contact no. 9362654114
WhatsApp no. 9863624773
Time: 8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg,5 kg,19 kg

**HL Poll**

Q : Manipurgi Chief Secretary sindorakliba ashina state ashida chalairakliba Presidents Rule makha sangthakhini takpa oigadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Meeyamgi apambagi matung inna anouba leingak semlagani haiduna phongdoklambasingna PR sangdokhallakpada yaningde haiba ngamgadra?

Yes 0% No 100%

**অস! লোইরেহে!**

- ইবুঙো য়ু থকপা তোক্লে নুপী থিরোনে।



- বাজিগী ওইনা থিবিরো, ঐ য়ু থকপা নুংঙাইরোই।

**/ লম য়োঞ্জরি**

অথুবা মতমদা মৈত্রম মখাদা টিদ্দিম রোদকা হেক থংনবা পোইন্ট ৪গী লম অমা য়োঞ্জরি। অহানবা লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

HL-P/2818/17 **Contact : 9863103903, 8118904108**

**DIRECT ADMISSION**

**MBBS**
**At Top Medical College in BANGLADESH**
**2025-26**

PLEASE CONTACT OUR OFFICE NO.
8119982311 / 7483336084
OFFICE ADDRESS:
NEEF (North East Educational Foundation)
Opp. UNACCO School,khongman II

HL-B/9658/23, 24,25,26 & 27

**/ ইশ্তোল অমা য়োঞ্জরি**

য়ুরেম্বম ইলেক্ট্রিসিটি ৱালগা নক্লবা ইশ্তোল পোইন্ট ১৫ অমসুং ৪০ অথুবা অমগী য়োঞ্জরি। মেন রোদতগী মিটর ১০০ মুক্তং চঙবনি, য়াম্না মফম চাবনি।

**NO BROKER**

HL-P/2773/11,13,15,17 **Call or Whatsapp : 8257012639**